১২শুবা মণিপুর পোলো ইন্টরনেসনল টুর্নামেন্ট ২০১৮

# য়ূম্বু ইন্দিয়া-বি মণিপুরনা ইংলেন্দবু মায়থীবা পীরল্লগা টুর্নামেন্ট অসিগী চেম্পিয়ন ওইখ্রে

ইম্ফাল, নবেম্বর ২৯ (ঐচ এন এস)ঃ
মণিপুর হোর্স রাইদিং এন্দ পোলো এসোসিএসন (এম ঐচ আর পি এ) না শীন্দুনা মণিপুর টুরিজম দিপার্টমেন্টনা স্পোন্সর তৌদুনা মপাল কাংজৈবুংগী পোলো গ্রাউন্দদা থা অসিগী ২২দগী হৌদুনা পাঙথোকখিবা ১২শুবা মণিপুর পোলো ইন্টরনেসনল টুর্নামেন্ট ২০১৮দা য়ূম্বু ওইরিবা ইন্দিয়া-বি মণিপুরনা ইংলেন্দবু মায়থীবা পীরল্লগা চেম্পিয়ন ওইখ্রে। অদুগা ইংলেন্দনা টিম রন্নস-অপ তাহৌরে।




মীরমদগী লাকপা টিম ইংলেন্দ, য়ু এস এ, উরুগ্বে অমদি হাইটি অমসুং লৈবাক অসিগী টিম ইন্দিয়া টিম এ অমসুং ইন্দিয়া টিম বি (মণিপুর) না শরুক য়াদুনা পাঙথোকপা ১২শুবা মণিপুর পোলো ইন্টরনেসনল টুর্নামেন্ট ২০১৮ লোইশিনবগী থৌরম অদুদা মণিপুরগী গভর্ণর ডা. নাজমা হেপতুল্লা, মণিপুর লেজিসলেটিভ এসেমব্লিগী স্পিকর ৱাই খেমচান্দ অমসুং পি সরতচন্দ্রনা মথংশিংনা চীফ গেষ্ট, প্রসিদেন্ট অমসুং গেষ্ট ওফ ওনর ওইনা শরুক য়াখি।

টুর্নামেন্ট অসিগী ফাইনেল মেচ ওইনা ঙসি নুংথিল পুং ১.৩০ তাবদা ইন্দিয়া-বি মণিপুর অমসুং ইংলেন্দ শান্নখি। মেচ অদু পানা অনীগী মায়কৈদগী চেম্পিয়ন ওইনবগীদমক অকনবা লম্বা তৌনদুনা ফজনা শান্নখি। অহানব চক্রগী সেকেন্দ ১৫দা মণিপুরগী জর্সি নম্বর ২ টি প্রদিপনা মেচ অদুগী অহানবা পাঞ্জল চন্দুনা মেচ অদু মণিপুরনা পাঞ্জল ১-০দা মাঙজিল থাখি। মিনট ২ কান্নরগা চক্র অসিগী মিনট ২:১১দা মণিপুরগী জর্সি নম্বর ১ এস বিমোলনা অনীশুবা পাঞ্জল চনশিন্দুনা মেচ অদু মণিপুরনা পাঞ্জল ২-০দা লৈখি।

ইংলেন্দগী মায়কৈদগীসু মণিপুরনা মাঙজিল থারিবা পাঞ্জল অনী অদু হন্দোক্লবা কন্না হোৎনরকখি। অহানবা চক্রগী মিনিট ৪:৫৩দা ইংলেন্দগী জর্সি নম্বর ১ জোর্জ সেলটন্না মণিপুরগী পাঞ্জল অমা হন্দোক্লগা অহানবা চক্র লোইবা ফাওবদা মণিপুরনা পাঞ্জল ২-১দা মাঙজিল থাদুনা চৎখি।

অনীশুবা চক্র হেক হৌরকপদগী হৌনা পানা অনীগী মায়কৈদগী অহেনবা গোল চন্নবা এটেক কয়া চত্থনরকপা হৌরকখি। চক্র অসিগী মিনট ২:৪৪দা মণিপুরগী জর্সি নম্বর ৩ পি ওজিৎনা পানা অসিগী অহুমশুবা পাঞ্জল চনখি। ইংলেন্দগী মায়কৈদগীসু চক্র অসিগী মিনট ৩:২৭তা মণিপুরগী অনীশুবা পাঞ্জল অদু হন্দোক্লগা মেচ অদু ইংলেন্দনা পাঞ্জল ২-৩দা লৈখি। চক্র অসিগী লোইরমদাই মীৎকুপ মিনট ৭:৭তা মণিপুরগী জর্সি নম্বর ২ টি প্রদিপনা মহাক্কী অনীশুবা পাঞ্জল চনশিন্দুনা অনীশুবা চক্র লোইশিল্লকপা ফাওবদা মণিপুরনা পাঞ্জল ৪-২দা মাঙজিল থাদুনা চৎখি।

মেচ অসিগী চক্র অনী লোইশিনখ্রবা মতুং ইংলেন্দগী মায়কৈদগী মেচ অদু লাকশিন্দুনা শান্নরকপা উখি। মণিপুরগী মায়কৈদগীসু মেচ অদু মায় পাক্ল বগীদমক অহেনবা গোল চন্নবা এটেক মথং মথং চত্থরকখি। চক্র অসিগী মিনট ৩গা সেকেন্দ ৬তা মণিপুরগী এস বিমোলনা পাঞ্জল অমগা চন্দুনা মেচ অদু মণিপুরনা পাঞ্জল ৫-২দা লৈখি।

ইংলেন্দগী মায়কৈদগীসু চক্র অসিগী মিনট ৩:২৭ অমসুং মিনট ৩:৪৬তা জোর্জ সেলটন অমসুং জর্সি নম্বর ৩ বেন এলিনা পাঞ্জল অনী থংনা থংননা চনশিন্দুনা মণিপুরগী মাঙজিল থারিবা পাঞ্জল ২ হন্দোক্তুনা মেচ অদু ইংলেন্দনা গোল ৪-৫দা লৈখি। চক্র অসিগী লোইরমদাই মীৎকুপ মিনট ৫:৩০দা মণিপুরগী টি প্রদিপনা পানা অসিগী ৬শুবা পাঞ্জল চনশিন্দুনা মেচ অদু মণিপুরনা পাঞ্জল ৬-৪দা লৈখি। অহুমশুবা চক্র লোইশিল্লকপা ফাওবদা ইংলেন্দগী মায়কৈদগী মণিপুরগী মাঙজিল থারিবা পাঞ্জল ২ অদু হন্দোকপা ঙমখিদে।

মেচ অসিগী অরোইবা অমদি মরিশুবা চক্রদা মণিপুরগী টি প্রদিপনা চক্র অসিগী মিনট ৫:৫০দা মহাক্কী মরিশুবা পাঞ্জল চন্দুনা মেচ অদু লোইশিল্লকপদা ইন্দিয়া-বি মণিপুরনা ইংলেন্দবু পাঞ্জল ৭-৪দা মায়থীবা পীরল্লগা টুর্নামেন্ট অসিগী মপৃ ওইখি। অদুগা মায়থীহৌরবা ইংলেন্দনা টুর্নামেন্ট অসিগী টিম রন্নর্স-অপ তাহৌখি।

১২শুবা মণিপুর পোলো ইন্টরনেসনল টুর্নামেন্ট ২০১৮গী বেষ্ট প্লেয়রগী টাইটলনা ইংলেন্দগী জর্সি নম্বর ১ জোর্জ সেলটন্না তাখি। অদুগা বেষ্ট পোনিদা এক্স পোলো ক্লবকী তাঙোং অরাংবনা অহানবা, আই আর সীগী লোয়ানা অনীশুবা অমসুং এম পি এস সীগী সনাবীনা অহুমশুবা পোজিসন তাখি। টুর্নামেন্ট অসিদা চেম্পিয়ন ওইখ্রবা মণিপুরগী পানাদা ট্রোফিগা লোয়ননা শেলগী মনা লুপা লাক্ষ ১, রন্নর্স-অপ টিমদা ট্রোফি য়াওনা শেলগী মনা লুপা লিশীং ৫০ অমদি তোঙান তোঙানবা টাইটল ফংখ্রবা পোনিশিং অমদি শান্নরোয়শিংদা থৌরম অদুদা দাইজ মেম্বর ওইনা শরুক য়াখিবশিংনা মনা মথুম খূৎশিন্নখি।

ওইনাম চার্লি মেমোরিএল কাং টুর্নামেন্ট ২০১৮

# শিংজমৈ-এনা টিম চেম্পিয়ন, ৱাঙ্গোইনা টিম রন্নর্স-অপ তাখ্রে



ইম্ফাল, নবেম্বর ২৯ (ঐচ এন এস)ঃ
শিংজমৈ কাংখূৎ চীংঙামথক্লা শীন্দুনা শিংজমৈ কাংশঙদা ওক্টোবর ২৪দগী হৌদুনা চত্থরকখিবা অহানবা ওইনাম চার্লি সিংহ মেমোরিএল লীগ কম নোক আউট কেন্দ্র ৱাইজ কাং টুর্নামেন্ট ২০১৮দা শিংজমৈ কেন্দ্র-এ কাংখূৎনা চেম্পিয়ন ওইখ্রে। অদুগা ৱাঙ্গোই কেন্দ্র কাংখূৎনা রন্নর্স-অপ তাখ্রে।

তোঙান তোঙানবা কাংখূৎ ১৩না শরুক য়াদুনা কাঙলূপ ৪ থোক্লা খাইদোক্তুনা পাঙথোকখিবা অহানবা ওইনাম চার্লি সিংহ মেমোরিএল লীগ কম নোক আউট কেন্দ্র ৱাইজ কাং টুর্নামেন্ট ২০১৮ লোইশিনবগী থৌরম অদুদা ইম্ফাল কোলেজকী প্রিন্সিপাল ডা. এম প্রিয়োব্রত্ত, শিংজমৈ কাংখূৎকী এদভাইজর এ শ্যামশুন্দর শর্ম্মা, দি এম কোলেজ ওফ আর্টসকী রিটয়ার্দ প্রিন্সিপাল এম ইবোহল অমদি ওইনাম চার্লিগী স্পোন্সর ওইরিবা ইমুং মনুংগী মীওইশিংনা মথংশিংনা চীফ গেষ্ট, প্রসিদেন্ট অমসুং গেষ্ট ওফ ওনরশিং ওইনা শরুক য়াখি।

টুর্নামেন্ট অসিগী ফাইনেল মেচ ওইনা ঙসি অয়ুক পুং ১০.৩০ তাবা মতমদা শিংজমৈ কেন্দ্র-এ কাংখূৎ অমসুং ৱাঙ্গোই কেন্দ্র কাংখূৎ লম্বা তৌনখি। মেচ অদু শিংজমৈ কেন্দ্র-এ কাংখূৎনা টোস ঙমদুনা কাং কাপ্পা হৌখি। অদুগা ৱাঙ্গোই কেন্দ্র কাংখূৎনা মায়কৈ খনখি।

কাংখূৎ অনীনা চেম্পিয়নগী মীংথোল ফংনবগীদমক অকনবা লম্বা তৌনদুনা কাপ্পখিবা কাং অদুগী অরোইবা মীৎকুপ লোইশিল্লকপদা শিংজমৈ কেন্দ্র-এ কাংখূৎনা ৱাঙ্গোই কেন্দ্র কাংখূৎপু পাঞ্জল ১৬-১৪দা মায়থীবা পীরল্লগা টুর্নামেন্ট অসিগী মপৃ ওইখিবনি। টুর্নামেন্ট অসিগী বেষ্ট চেকফৈগী মনানা শিংজমৈ কেন্দ্র-এগী আর কে ইঙোচানা চেকফৈ ১১ পান্দুনা তাখি। অদুগা বেষ্ট লমথাগী টাইটলনা শিংজমৈ কেন্দ্র-এগী এল নবকান্তনা লমথা ৯ পান্দুনা তাখি। থৌরমদুদা দাইজ মেম্বর ওইনা শরুক য়াখিবশিংনা চেম্পিয়ন ওইখ্রবা কাংখূৎতা শেলগী মনা লুপা লিশীং ১০, রন্নর্স-অপ তাখ্রবা কাংখূৎতা শেলগী মনা লুপা লিশীং ৭ অমদি ৩শুবা পোজিসন তাখ্রবা থাংমৈবন্দ কেন্দ্র অমদি কৈশামথোং কেন্দ্রদা শেলগী মনা লুপা লিশীং ৩/৩সু খূৎশিন্নখি।

দি সঙাই ইনভাইটেসন টেনিস টুর্নামেন্ট ২০১৮

# ব্রোজেনন্না বেকরবু মায়থীবা পীরল্লগা মেন্স ওপন সিঙ্গলসকী টাইটল লৌখ্রে




ইম্ফাল, নবেম্বর ২৯ (ঐচ এন এস) ঃ
মণিপুর টেনিস এসোসিএসন (এম এ টি এ) গী মীৎয়েং মখাদা ইম্ফাল দিষ্ট্রিক্ট টেনিস এসোসিএসন (আই দি টি এ) অমসুং এসোসিএসন ওফ সেনিয়র টেনিস প্লেয়রস মণিপুর (এ এস টি পি এম) অনীনা খূৎশম্নরগা শিন্দুনা লম্ফেল পাৎতা লৈবা ইম্ফাল দিষ্ট্রিক্ট টেনিস এসোসিএসনগী কমপ্লেক্সতা মণিপুর সঙাই ফেষ্টিবেল ২০১৮গা মরী লৈননা পাঙথোক্লিবা দি সঙাই ইনভাইটেসন টেনিস টুর্নামেন্ট (ফোর জুনিয়র বোইজ এন্দ গর্লস, ওপন) ২০১৮গী মেন্স সিঙ্গলস ওপন্দা ব্রোজেন্না বেকরবু মায়থীবা পীরল্লগা টাইটল লৌখ্রে।

দি সঙাই ইনভাইটেসন টেনিস টুর্নামেন্ট (ফোর জুনিয়র বোইজ এন্দ গর্লস, ওপন) ২০১৮ লোইশিনবগী থৌরম অদুদা মণিপুর য়ুনিভর্সিটিগী এদমিনিষ্ট্রেটর জর্নেল সিংহনা চীফ গেষ্ট, মণিপুর টেনিস এসোসিএসনগী ওফিসলশিং অমদি ইম্ফাল দিষ্ট্রিক্ট টেনিস এসোসিএসনগী ওফিসল-শিংনা মথংশিংনা চীফ গেষ্ট অমদি গেষ্ট ওফ ওনরশিং ওইনা শরুক য়াখি।

টুর্নামেন্ট অসিগী মেন্স সিঙ্গলস ওপনগী ফাইনে মেচ ওইনা ঙসি কোর্ট নম্বর ৱান্দা ব্রোজেন অমসুং বেকর লম্বা তৌনখি। মেচ অদুগী অরোইবা সেটতগী লোইবা ফাওবদা ব্রোজেন্না বেকরবু লাকশিন্দুনা শান্নখিবনা মেচ অদু লোইশিল্লকপদা ব্রোজেন্না বেকরবু ষ্ট্রেট সেট ৬-২, ৬-২দা মায়থীবা পীরল্লগা কেটেগোরি অসিগী টাইটল লৌখি। অদুগা মায়থীহৌরবা বেকরনা রন্নর্স-অপ তাহৌখি।

দি সঙাই ইনভাইটেসন টেনিস টুর্নামেন্ট (ফোর জুনিয়র বোইজ এন্দ গর্লস, ওপন) ২০১৮গী লোইশিনবগী থৌরম অদুদা চীফ গেষ্ট ওইনা শরুক য়াখিবা মণিপুর য়ুনিভর্সিটিগী এদমিনিষ্ট্রেটর জর্নেল সিংহ (রিটয়ার্দ আই এ এস) না হায়খি, ইম্ফাল দিষ্ট্রিক্ট টেনিস এসোসিএসন্না মণিপুরদা টেনিসকী মশান্নবু চাওখৎহন্নবা হোৎনরিবা অসি উবদা য়াম্না নুংঙাইবা ফাওই। লমদম অসিদা লৈরিবা টেনিসপু পামজবা ইনখৎলক্লিবা শান্নরোয়শিং অমদি মশান্না অসিবু পাকথোক চাওথোক্লবা অমদি শেমগৎনবা অঙম্বা মতেং পাংগনি হায়না মহাক্না ফোঙদোকখি।

টুর্নামেন্ট অসিদা তোঙান তোঙানবা কেটেগোরিশিংদা মকোক মথং তাখ্রবা শান্নরোয়শিংদা সার্টিফিকেট অমদি মনা-মথুমশিং খূৎশিন্নখি।

১২শুবা জাদোনাং মেমোরিএল ফুটবোল টুর্নামেন্ট

# আর ৱাই সীনা কে কে এফ সী, দি এফ সীনা জি য়ু এফ এবু মায়থীবা পীরল্লগা ফাইনেল চঙখ্রে

ইম্ফাল, নবেম্বর ২৮ (ঐচ এন এস)ঃ
জেলিয়াংরোং ফুটবোল এসোসি-এসন (জেদ এফ এ) না শীন্দুনা থাংমৈবন্দ থাও স্পোর্টস কমপ্লেক্সতা পাঙথোকপা ১২শুবা জাদোনাং মেমোরিএল ফুটবোল টুর্নামেন্ট ২০১৮গী ঙসি শান্নখিবা সেমী ফাইনেল মেচশিংদা আর ৱাই সী রগাইলোং য়ুথ ক্লবনা কে কে এফ সী কৈশামথোংবু অমদি দি এফ সী দুইগাইপাংজাংনা জি য়ু এফ এ গাইপুইনাম্বু মায়থীবা পীরল্লগা ফাইনেল চঙখ্রে।

টিম ৩৪না শরুক য়াদুনা কাঙলূপ ৮ থোক্লা খাইদোক্তুনা পাঙথোকপা ১২শুবা জাদোনাং মেমোরিএল ফুটবোল টুর্নামেন্ট ২০১৮গী অহানবা সেমী ফাইনেল মেচ ওইনা ঙসি অয়ুক পুং ৬.৩০ তাবগী অহানবা গ্রাউন্দদা আর ৱাই সী রগাইলোং য়ুথ অমসুং কে কে এফ সী কৈশামথোং লম্বা তৌনখি।



মেচ অদু হেক হৌবদগী লোইবা ফাওবা টিম অনীনা অকনবা লম্বা তৌনদুনা ফজনা শান্নখি। অহানবা হাফকী তঙ্খাই চল্লকপা মীৎকুপ ফাওবদা টিম অনীগী মায়কৈদগী লম্বা চানা শান্নখিবনা গোল অমত্তা চন্নবা ঙম্খিদে। মেচ অদুগী ৩৫শুবা মিনটতা কে কে এফ সীগী জর্সি নম্বর ১১ কে ব্রিসুবাওনা মেচ অদুগী অহানবা গোল চনবদা নত্তনা মহাক্কী টিমগী গোল একাউন্ট হাংদোক্লগা মেচ অদু মহাক্কী টিম্না গোল ১-০দা মাঙজিল থাখি। আর ৱাই সীগী মায়কৈদগীসু কে কে এফ সীনা মাঙজিল থারিবা গোল অদু হন্দোক্লবা এটেক কয়া চত্থরকখি। অদুগা অহানবা হাফ লোইবা মীৎকুপ ফাওবদা আর ৱাই সীগী মায়কৈদগী কে কে এফ সীগী গোল অদু হন্দোকপা ঙমখিদে।

অনীশুবা হাফ হেক হৌরকপদগী আর ৱাই সীগী শান্নরোয়শিংনা কে কে এফ সীনা অহানবা হাফতগী মাঙজিল থাদুনা লাক্লিবা অমত্তা ঙাইরবা গোল অদু হন্দোক্লবা কন্না হোৎনরকখি। মেচ অদুগী ৪৩শুবা মিনটতা আর ৱাই সীগী জর্সি নম্বর ৭ গাইবোলুননা ফাওমৈনা কে কে এফ সীগী মাঙজিল থারিবা গোল অদু হন্দোক্তুনা মেচ অদু টিম অনীমক্লা গোল ১-১দা লৈনখি।

মেচ অদু মায় পাক্লবগীদমক টিম অনীগী মায়কৈদগী অহেনবা গোল চন্নবা এটেক কয়া চত্থনরকখি। অদুবু অহেনবা গোল চন্নবা ঙম্নদবদগী মেচ অদু ত্রাইব্রেক তাদুনা পেনালটি কাওনখি। পেনালটি কাওনবদা আর ৱাই সীনা কে কে এফ সীবু পাঞ্জল ৫-৪দা মায়থীবা পীরল্লগা ফাইনেল চঙবা ঙমখিবা অহানবা টিম ওইখি।

আর ৱাই সীগী পেনালটিগী গোলশিং অদু জর্সি নম্বর ১৬ চুনজাংলুংপৌ গাংমৈ, জর্সি নম্বর ২৩ মকুখোন লোংমৈ, জর্সি নম্বর ৫ জোন কামৈ অমসুং জর্সি নম্বর ৭ কাইবোলুং ফাওমৈনা চনখি। মায়থীহৌরবা কে কে এফ সীগী পেনালটিগী গোলশিং অদুনা জর্সি নম্বর ১০ গোলমৈ গাইখাংনীংপৌ, জর্সি নম্বর ৯ অথানা ন্যুমৈ অমসুং জর্সি নম্বর ৪ লুনকিন্না চনখিবনি।

টুর্নামেন্ট অসিগী অনীশুবা সেমী ফাইনেল মেচ ওইনা ঙসি নুংথিলগী অনীশুবা গ্রাউন্দদা দি এফ সী দুইগাইপাংজাং অমদি জি য়ু এফ এ গাইপুইনাম লম্বা তৌনখি। টিম অনীগী মায়কৈদগী অকনবা লম্বা তৌনদুনা শান্নরকখিবা মেচ অদুগী অরোইবা মীৎকুপ লোইশিল্লকপদা দি এফ সীনা জি য়ু এফ এবু পাঞ্জল ১-০দা মায়থীবা পীরল্লগা ফাইনেল চঙখি। দি এফ সীগী মায় পাকপগী গোল অদু পৌগুইগাই দাংমৈনা মেচকী ৪০শুবা মিনটতা চনখিবনি। টুর্নামেন্ট অসিগী অহুমশুবা পোজিসনগী মেচ ওইনা হয়েং নুংথিল পুং ৩ তাবা মতমদা কে কে এফ সী কৈশামথোং অমসুং জি য়ু এফ এ গাইপুইনাম শান্নগনি।

## থাগৎপা ফোঙদোরক্লি

ইম্ফাল, নবেম্বর ২৯ (ঐচ এন এস)ঃ
থাইলেন্দগী পটায়া সিটিগী ফর্ষ্ট পেসিফিক হোলদা থা অসিগী ২৫দগী ২৮ ফাওবা পাঙথোকখিবা অহুমশুবা এসিয়ন কপ জীট কুনেদো চেম্পিয়নশিপ্তা মণিপুরগী শান্নরোয় সনবম দাইনা, সব জুনিয়র গর্লসকী কেজি ২৪দা গোল্ড মেদল, অরুবম টেনিসন মীতৈনা সব জুনিয়র বোইজকী অন্দর ৪১ কেজিদা গোল্ড মেদল অমসুং সী ঐচ নিংথেম্না সেনিয়র মেনগী কেজি ৫০ মখাদা গোল্ড মেদল লৌরকখিবগা লোয়ননা টেক্লিকেল ওফিসল ওইনা শরুক য়ারুবা ডা. মোইরাংথেম ইবোমচাবু ইন্টরনেসনল জীট কুনেদো ফেদরেসন্না ইন্টরনেসনল জজ এ গ্রেদ অমসুং বেষ্ট রেফ্রি এৱার্দ সার্টিফিকেট পীরকপদা জীট কুনেদো এসোসিএসন ওফ মণিপুরনা থাগৎপা ফোঙদোরক্লি।

জীট কুনেদো মশান্না অসি কুমজা ২০২২দা চাইনাদা পাঙথোক্কদৌরিবা এসিয়ন গেমসতা য়াওরগনি হায়না ইন্টরনেসনল জীট কুনেদো ফেদরেসন্না লাউথোরকপদা এসোসিএসন অসিনা শান্নরোয়শিংবু হেন্না পূক্নিং থৌগৎপা ফোঙদোকচরি হায়না জীট কুনেদো এসোসিএসন ওফ মণিপুরগী জোইন্ট সেক্রেটরি এল সরতনা প্রেসতা থাদোরকপা চেরোল অমনা খঙহল্লক্লি।

## দিষ্ট্রিক্ট ওপন চেছ টুর্নামেন্ট

ইম্ফাল, নবেম্বর ২৯ (ঐচ এন এস)ঃ
দিষ্ট্রিক্ট চেছ এসোসিএসন জিরিবাম্না শীন্দুনা দিসেম্বর ৯দা জিরিবাম দিষ্ট্রিক্টকী ওইনা অহানবা দিষ্ট্রিক্ট লেভেল ওপন চেছ টুর্নামেন্ট পাঙথোক্লগনি। টুর্নামেন্ট অসিদা শরুক য়ানীংবশিংনা এসোসিএসন অসিগী অজিজ হায়দর অমদি জিরিবামগী স্মার্ট সোসাইটি ম্যুনিসিপাল কমপ্লেক্স (য়ু বি আই বিল্ডিং ওফিস) তগী খঙবা য়াগনি হায়রি।

# মণিপুরগী অরাধ্যানা ব্রোঞ্জ মেদল লৌবা ঙমখ্রে



ইম্ফাল, নবেম্বর ২৯ (ঐচ এন এস)ঃ
কম্মনৱেলথ করাটে ফেদরেসনগী মীৎয়েং মখাদা করাটে সাউথ অফ্রিকানা শীন্দুনা সাউথ অফ্রিকাগী দুরবান্দা লৈবা ওলিব কনভেন্সন্দা ঙসিদগী দিসেম্বর ২ ফাওবা চত্থগদৌরিবা ৯শুবা কম্মনৱেলথ করাটে চেম্পিয়নশিপ ২০১৮দা ইন্দিয়াগী করাটে টিমদা শরুক য়াদুনা মণিপুরগী অরাধ্যানা ব্রোঞ্জ মেদল লৌবা ঙমখ্রে।

মালেমগী তোঙান তোঙানবা লৈবাক কয়াগী মার্সেল আর্ট করাটে শান্নরোয়শিংনা শরুক য়াদুনা পাঙথোকপা ৯শুবা কম্মনৱেলথ করাটে চেম্পয়নশিপ ২০১৮দা মণিপুরগী অরাধ্যানা চহী ৭তগী ৯ ফাওবগী নুপীমচাগী ইন্দিভিজুএল কাটা ইভেন্টতা ব্রোঞ্জ মেদল লৌবা ঙমখিবনি।

পনবা য়াবদি, ৯শুবা কম্মনৱেলথ করাটে চেম্পিয়নশিপ ২০১৮দা মণিপুরদগী নুপা শান্নরোয় ১ য়াওনা নুপী শান্নরোয় ২না শরুক য়ারিবনি। ব্রোঞ্জ মেদল ফংলকখ্রবী অরাধ্যা লৈমখোং আর্মি কেম্পতা লৈবা কর্নেল ভিভেক বিন্দ্রা অমদি সিমতাগী মচানুপীনি।

৬৪শুবা নেসনল স্কুল গেমস ২০১৮

# পৃথিরাজ অমদি রোবার্টনা মণিপুরগী মেদল টেল্লিদা গোল্ড ২ হাপচিনখ্রে

ইম্ফাল, নবেম্বর ২৯ (ঐচ এন এস)ঃ
দিপার্টমেন্ট ওফ য়ুথ এফ্যেরস এন্দ স্পোর্টস, গভর্ণমেন্ট ওফ মণিপুরনা শীন্দুনা স্কুল গেমস ফেদরেসন ওফ ইন্দিয়াগী মীৎয়েং মখাদা খুমন লম্পাক স্পোর্টস কমপ্লেক্সকী ইন্দোর ষ্টেদিয়মদা থা অসিগী ২৬তগী হৌদুনা পাঙথোক্লিবা চহী ১৪ মখাগী নুপামচা অমসুং নুপীমচাগী টাইক্বান্দো মশান্নগী ৬৪শুবা নেসনল স্কুল গেমস ২০১৮গী ঙসি শান্নখিবা নুপামচা কাঙলূপকী ইভেন্টশিংদা এ পৃথিরাজ অমদি খাইদেম রোবার্টনা মণিপুরগী মেদল টেল্লিদা গোল্ড ২ হাপচিনখ্রে।



টিম ৩০গী নুপা ২৮৩ অমসুং নুপী ২২৯ পূন্না শান্নরোয় ৫১২না শরুক য়াদুনা পাঙথোক্লিবা ৬৪শুবা নেসনল স্কুল গেমস ২০১৮ (অন্দর-১৪ বোইজ এন্দ গর্লস টাইক্বান্দো) গী নুপামচাগী কেজি ২৯দগী ৩২ ফাওবগী কেটেগোরিদা মণিপুরগী এ পৃথিরাজনা গোল্ড, মধ্য প্রদেশকী সতয়া লোধিনা সিলভর অমসুং হরিয়ানাগী গৌরব অমদি ভি বিগী দেবান্স মিশ্রানা ব্রোঞ্জ মেদল লৌখি।

নুপাগী কেজি ৩৮দগী ৪১ ফাওবগী কেটেগোরিদা মণিপুরগী খাইদেম রোবার্টনা গোল্ড, মিজোরামগী জোনাথন লালমিংমাওৱিয়ানা সিলভর অমসুং গুজরাটকী মিহির নালিয়াপারা অমদি ঝরখণ্ডগী অমন মুন্দানা ব্রোঞ্জ মেদল লৌখি।

কেজি ৪১দগী ৪১ মথক্কী কেটেগোরিদা মধ্য প্রদেশকী অবজাল অলিনা গোল্ড, মহারাষ্ট্রগী শ্রীনিধি দিপকনা সিলভর অমসুং হরিয়ানাগী অমিটকমার অমদি গোৱাগী বিকি বিরেন্দন্না ব্রোঞ্জ মেদল লৌখি।

নুপীমচাগী কেজি ৩৮দগী ৩৮ মথক ফাওবগী কেটেগোরিদা নয়ানা ভিনাসনা গোল্ড, চান্দিগরগী ইসা পান চলনা সিলভর অমসুং গুজরাটকী বৃন্দা কচাদিয়া অমদি টেলঙ্গনাগী অলাহে গুলজারনা ব্রোঞ্জ মেদল লৌখি। কেজি ৩৫ মখাদগী কেজি ৩৮ ফাওবগী কেটেগোরিদা দেল্লিগী সিয়া মিশ্রানা গোল্ড, টামিল নাদুগী এম বাভাথারিনিনা সিলভর অমসুং চান্দিগরগী রক্সা চাহর অমদি কে ভি এসকী অনা পাসিয়ানা ব্রোঞ্জ মেদল লৌখি।

নুপীগী কেজি ২৬ মখাদগী ২৯ ফাওবগী কেটেগোরিদা গুজরাটকী নিরভি হেকটনা গোল্ড, মহারাষ্ট্রগী নিলম নমদেব জোসিলকরনা সিলভর অমসুং কে ভি এসকী শ্রীষ্টি সিংহ অমদি হরিয়ানাগী করিনানা ব্রোঞ্জ মেদল লৌখি।

২৯শুবা ধনমঞ্জুরি ইনভাইটেসন কাং টুর্নামেন্ট ২০১৮

# হৈলাকান্দিনা এ কে য়ু অমদি গোপালদেবনা জিরিবাম্বু মায়থীবা পীরল্লগা ফাইনেল চঙখ্রে



ইম্ফাল, নবেম্বর ২৯ (ঐচ এন এস)ঃ
মণিপুর কাং এসোসিএসন (এম কে এ) গী মীৎয়েং মখাদা খুমন লম্পাক্তা লৈবা মণিপুর কাংশঙ, শিংজমৈ কাংশঙ অমসুং য়াইস্কুল কাংশঙগী তোঙান তোঙানবা মফম কয়াদা পাঙথোক্লিবা ২৯শুবা ধনমঞ্জুরি ইনভাইটেসন কাং টুর্নামেন্ট ২০১৮ ঙসি শান্নখিবা সেমী ফাইনেল মেচশিংদা হৈলাকান্দি কাংখূৎনা এ কে য়ু কাংখূৎ অমসুং গোপালদেব কাংখূৎনা জিরিবাম কাংখূৎপু মায়থীবা পীরল্লগা ফাইনেল চঙখ্রে।

টুর্নামেন্ট অসিগী অহানবা সেমী ফাইনেল মেচ ওইনা ঙসি অয়ুক্কী অহানবা গ্রাউন্দদা হৈলাকান্দি কাংখূৎ অমসুং এ কে য়ু কাংখূৎ শান্নখি। মেচ অদু হৈলাকান্দিনা টোস ঙমদুনা কাং কাপ্পা হৌখি। অদুগা এ কে য়ু কাংখূৎনা মায়কৈ খনখি।

ফাইনেল চঙনবগীদমক কাংখূৎ অনীগী মায়কৈদগী অকনবা লম্বা তৌনদুনা কাপ্পখিবা কাং অদুগী অরোইবা তাঙ্কক লোইশিল্লকপদা হৈলাকান্দি কাংখূৎনা এ কে য়ু কাংখূৎপু পাঞ্জল ১২-১১দা মায়থীবা পীরল্লগা ফাইনেল চঙখিবনি।

ঙসিগী অয়ুক্কী মেচ অদুদা সী ঐচ পোচানা অম্পায়র অমসুং ঈ ইঙোচানা স্কোরকিপর ওইনা শরুক য়াখি।

টুর্নামেন্ট অসিগী অনীশুবা সেমী ফাইনেল মেচ ওইনা ঙসি নুংথিলগী অনীশুবা গ্রাউন্দদা গোপালদেব কাংখূৎ অমসুং জিরিবাম কাংখূৎ লম্বা তৌনখি। মেচ অদু গোপালদেব কাংখূৎনা টোস ঙমদুনা কাং কাপ্পা হৌখি। অদুগা জিরিবাম কাংখূৎনা মায়কৈ খনখি। কাংখূৎ অনীগী মায়কৈদগী মায় পাক্ল বগীদমক অকনবা লম্বা তৌনদুনা ফজনা কাং কাপ্পখি। কাপ্পখিবা কাং অদুগী অরোইবা মীৎকুপ লোইশিল্লকপদা কাংখূৎ অনীনা পাঞ্জল ৮-৮ লৈবদগী টাইব্রেক তানখি। অপীবা মতম খরা হাপ্তুনা কাপ্পখিবা কাং অদু লোইশিল্লকপদা গোপালদেব কাংখূৎনা জিরিবাম কাংখূৎপু পাঞ্জল ১২-১০দা মায়থীবা পীরল্লগা ফাইনেল চঙখি।

Printed, published and owned by Soubam Niladhaja Singh, published from Sega Road, Thouda Bhabok Leikai, Imphal West-795001, Manipur & printed at M/s. Kangleipak Printers, Sega Road, Thouda Bhabok Leikai, Imphal West-795001, Manipur
Editor : Thounaojam Birdhaja, Managing Editor; Maisnam Karnajit, Asstt. Editor : Kh. Nandalal; Telephone Nos. 0385-2440771/2445104/2445106, e-mail:hueiyen_lanpao@yahoo.co.in, hueiyen_lanpao@rediffmail.com